# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুমিৎ ৯ নি চথুগদবা রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম ঙসিদগী হৌরে।

২) মীয়ামদগী নমদুনা শেনখায় থুমখায় তৌবদা চেন্নবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

অমসুং

৩) ভারতকী সুবানসু সুক্লা য়াওবা এক্স দ্রেগোন স্পেচক্রাফট ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা থুংখিবগা লোয়ননা ভারতনা ইতিহাস অমা নৌনা শেল্লে।

------

কাং (এল)ঃ নুমিৎ ৯ নি চথুগদবা রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম ঙসিদগী হৌরে।

কাং চিংবগী মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা ঙসি নুমিৎযুংবা মতুংদা পাঙথোক্কনি। শগোলবন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দদসু কাং চিংগনি। ইম্ফালদা লৈবা ইস্কোন মন্দিরদসু ২৫ রক শুবা রথ যাত্রাগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

কাং চীংবগী থৌরমনা লাকপদা- মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- কাং চিংবা অসি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা কুম্মৈ অমা ওইবতা নত্তনা

ঐখোয়গী কলা সংস্কৃতি, থাজবা অমসুং অপুনবগী শক্তম উৎলিবনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা শান্তি, হকচাং ফবা অমসুং নুংশি চান্ননা নুংঙাইনা হিংমিন্নবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

এম.এল.এ- থৌনাউজম বসন্তকুমারনা পীবা কাং নুমিৎকী পাউজেলদা হায়- ভগবান জগনাথকী কাং চিংবগী থৌরম অসি ধর্ম্মগী চৎনবা অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা নীংথিনা পাঙথোক্কুনা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা ইংথবা তপথবা অমসুং শান্তি ওইবা লমদম অমা পীনবীরম্বা ওইরসনু হায়রি।

এম.এল.এ য়ুমাম খেমচান্দনা কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা হায়- কুম্মৈ অসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিং অমত্তা ওইনা পুন্না শরুক য়ামীন্নদুনা ইং-তপ্পা লমদম অমা ওইহন্ননবা থৌনিমিন্নরশি।

শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা রথ যাত্রাগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা হায়- ভগবান জগনাথকী মফমদা খুরুমজদুনা মহৈ মরোং চুম্বা, নুংঙাই য়াইফ মরাং কায়বা অমদি শান্তি লৈবা ইরমদম মণিপুর অমা ওইরসনু।

পুলিস (এল)ঃ মীয়ামদগী নমদুনা শেনখায় থুমখায় তৌবদা চেন্নবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- অককবা পাউশিংগী মতুংইন্না থি হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মনিং মখা ময়াদগী মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, শাশিন্নবা নোংমৈ অমসুং মেগজিন অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে। পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমসুং শাশিন্নবা নোংমৈ শিজিন্নদুনা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন এরিয়াদা লৈবা মীওইশিংবু কিহন খঙহনবগী থবক চথরম্বনি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ পুলিস

ষ্টেসনগী মনুং চনবা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী নুপী কাদর অমা ফারে। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাংগোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শামুরৌ মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী পিষ্টোল অমা ফংলে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খরাই থাংজম লৈকাইদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফাখি।

মণিপুর পুলিসনা ঙরাং মীয়ামগা লোয়নননা থৌবাল জিলাগী বাবু বজারদগী গাড়ি হুরানবা মীওই অমা ফারে। ঙরাং খক্তদা গাড়ি নিয়ম লান্না থৌবা মীওইশিংদগী চলান ৭৫ ককপগা লোয়নননা লুপা লাখ ১ লিশিং ৭,৫০০ হেন্না খোমগৎপা ঙমখি।

বিরেন (এল)ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা, লুপা লাখ ৯০ হেনবগী ড্রগ অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরম পুলিসনা ফাগৎপা ঙম্বদা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- ম্যান্মারদা লৈবা মণিপুরগী আধার কার্দ পায়বা মীওই অমা মিজোরমদা লুপা লাখ ৯০ লিশিং ৭৬ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন গ্রাম ১২১ গা কোন্ননা ফারে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরম পুলিসনা মীওই অসি ফাবা ঙমখিবা অসিনা মহাক্কী সরকারনা তৌরম্বশিং অদু অরানবা নত্তে, বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার লানখিদে হায়বা উৎলে।

গোবিনদাস (এল)ঃ ইন্দিয়ান মিলিটরি একাদমিদগী পাস তৌরক্লবা লেফটনেন্ট থোকচোম সিধার্থ সিংহবু ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং রাধা মাধব লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। রাধা মাধব য়াওশঙ স্পোর্টস

কমিতিনা শিনবা থৌরম অদুদা এম.এল.এ গোবিনদাস কোন্থৌজম শরুক য়াখি।

কোভিদ (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক কোভিদকী এক্তিভ কেস ১৪৯ লৈরি। ঙরাং মীওই ১৬ নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৩ নাবা ফখ্রে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ঙরাং পুন্না মীওই ৪০ কোভিদ নাইন্তিনগী টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৩ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। পোজিতিভ ওইবশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী ৬, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলাদগী অমমমনি । মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা পোজিতিভ ওইবা মীওই ২০২ শুরে। হোম আইসোলেসনদা হৌজিক মীওই ১৩৫ লৈরি। মসিগী মনুংদা নুমিৎ ৭ নিগী মতম শুদুনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ১৬ নাবা ফখ্রে।

স্পেচ ঃ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লা য়াওবা একজিয়ম ফোরগী ক্রুশিং পুবা স্পেচ এক্স দ্রেগোন স্পেচক্রাফট ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসন (আই.এস.এস)তা থুংখিবগা লোয়ননা ভারতনা ইতিহাস অমা নৌনা শেল্লে। মসি চহি ৪১ গী মতুংদা ভারতকী এষ্ট্রোনোট অমনা সুন্দ্রংদা চৎপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ইং ১৯৮৪ দা রাশেক শর্ম্মনা স্পেচতা চৎখ্রবা মতুং সুক্লানা স্পেচতা চৎপা অনিসুবা ভারত মচানি।

আই.এস.এসকী মিসন অসিদা ভারত, য়ু.এস, পোলেন্দ অমসুং হঙ্গেরিদগী পুন্না এষ্ট্রোনোট মরি য়াওরি। মিসন অসিদা নুমিৎ ১৪ নি চুপা লো আর্থ ওর্বিৎ (এল.ই.ও)দা সাইন্তিফিক এক্সপিদিসন কয়া পাঙথোক্কনি। পাউ অসিনা হায়- একজিয়ম ফোর মিসন অসি বৈগ্যানিক্কী লম খক্তগী নত্তনা লৈবাক অসি গ্লোবেল টেকোলোজি পৱার হাউস অমা ওইরে হায়বদু চপ চানা উৎকনি। মিসন অসিদা কেপ্তেন সুক্লানা ফুড অমসুং স্পেচ ন্যুত্রিসন হায়বসিদা তোঙান

তোঙানবা এক্সপরিমেন্ট কয়া পাঙথোক্কনি। হায়রিবা এক্সপরিমেন্টশিং অসি নাসাগী মতেংগা লোয়ননা ইসরো অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেকোলোজিগা খুশমদুনা শেন্বনি।

মিনিষ্ট্রিঃ মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- শঙহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও) দিফেন্স মিনিষ্টর মীফমদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা অপুনবগী ওইবা ফিরেপ অমা লৌবা ঙমদ্রে। মীফম অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈবাক খরনা অখন্ননা হিরম খরদা অপুনবগী ওইবা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী অরোইবা ফিরেপ লৌবা ঙমদবনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই রন্ধির জৈসৱালনা হায়- এস.সি.ওগী মীফম অসিদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ শরুক য়াখি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা তেরোরিজম অমদি মসিগী মতাংদা অখন্ননা খন্ন-নৈনবগী চেরোলশিং অদুদা য়াওহনবা পামখি। অদুমওইনমক, ৱাফম অসিদা অখন্ননা লৈবাক অমনা য়ানিংদবা ফোংদোরকখি। মহাকা হায়- ঙাকশেল মন্ত্রিগী মাইকৈদগী মীফম অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংদা তেরোরিজম থেংনমিন্নবগী ৱাফম ফোংদোকখি।

পরেসন সিন্ধুগী মতাংদা ৱাঙাংলোই অসিনা হায়- হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইরানদগী ভারতমচা লিশিং ৩,৪২৬ অমসুং ইজরেলদগী ভারতমচা ৮১৮ পুথোরকপা ঙমখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হিল এরিয়া গভর্নেন্সকী মতাংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থমখিবা ৱাফম, ইং ২০২৭ ঙাইদ্রবসু এসেমব্লি দিজোলভ তৌরগা মীখল থেংননবা কংগ্রেসনা থমখিবা ৱাফমগা মরী লৈনবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- কাংলোন থুগাইরগা খ্লগী চীফ হাপখিবশিং থিদোকবা গভর্নরদা তকশিনখ্রে, এসেমব্লি য়ৌনা দোক্কুমেন্ট শেমদোক্তুনা য়েলহৌমীশিং মুখৎনবা হোৎনরম্লে হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থমখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকলদসু বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বি.জে.পিগী লৈঙাক লাকপদগী অনদিক্লার ইম্মরজেন্সিগী অৱাবা থেংনরি হায়বা মেঘচন্দ্রগী ৱাফমগা লোয়ননা থৌনা লৈরবদি ইং ২০২৭ ঙাইদ্রবসু এসেমব্লি দিজোলভ তৌরগা মীখল থেংনশি হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক সনালৈবাক অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসকা সি.এস.ওশিংগা উন্নবগী মতম থা অসিগী ৩০ দা লেপ্লে, অমুকো, কোকোমি ৱারী শান্নবা অসিদা শরুক য়ারগনি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পি.এম. মোদিদা ৱাফম ময়াম পুখৎনবা কন্না খন্নরি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা রিলিফ কেম্পশিং ঈশিং থুমজিনদুনা অৱাবা তারে, হকশেলগী ফিভম য়েংশিন্নবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- চুরাচান্দপুর মৈতৈ য়ুনাইতেদ কমিতিনা গভর্নরদা অকনবা ৱাফম, নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা দিমান্দ ৬ গভর্নরনা থবক্তা ওন্থোক্তবদি রিলিফ কেম্প ৪৬ কী লাঞ্জেন্নরকপশিংনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এস.টি. লিষ্টতগী এ.কে.টি লৌথোক্কদবনি হায়বদগী থোক্লকপা পোলিতিকেলগী খেন্নবা ৱাখল্লোন্না মণিপুর ক্রাইসিস থোকপগী অচৌবা মরম অমনি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৌমীশিং মতিক চানা ঙাক শেনবীনবা মৈতৈ এল্লায়েন্সনা থমখিবা ৱাফম মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.ই.সি-পি.এম. দাজগুৱা অমসুং পি.এম. জনমন কেম্পেন ৱিল্লোং ব্লোক্তা পাঙথোকখিবা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মথং থাদা মণিপুরদা লাক্কুনা ইম্ফাল অমসুং চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা য়েংশিল্লবা য়াই হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে এগেনষ্ট এন্দ ইলিসিত ত্রাফিক্কিংগী থৌরম পাঙথোকখিবা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

-----